## ৱর্ল্ড টিচর্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬(ঐচ এন এস): এস কুলা ৱিমন কোলেজগী ষ্টুদেন্টস যুনিয়ন্না শীন্দুনা ৱর্ল্ড টিচর্স দে ২০১৭কী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কোলেজ অসিগী গভর্নিং বোদিগী সেক্রেটরি অরাম্বম রমানন্দ লুৱাংনা চীফ গেষ্ট, দিপার্টমেন্ট ওফ ফুদ টেক্নোলোজিগী এন জি মায়মুনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডা. এন জয়কুমারনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ওজাশিং অমসুং শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা ৱা ঙাংখি হায়না এস কুলা ৱিমন কোলেজগী ষ্টুদেন্টস যুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি পি ঙাম্থোইনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## এন ঐচ পি সীগী থবক লৌবা লৈতে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬(ঐচ এন এস): লোক্তাক পাৱর ষ্টেসন এন ঐচ পি সীদা রেগুলর নৎত্রগা কন্ট্রেকচুয়েল ইমপ্লোয়ী নৎত্রগা ষ্টাফশিং লৌবগী ৱাফম লৈতে, ফেক রিক্রুটমেন্টকী মতাংদা লোক্তাক পাৱর ষ্টেসন এন ঐচ পি সীগী মমিং শীজিন্নদুনা তোকঙা শন্দোক্লিবা অসিদগী মীয়াম্না চেকশিনবীয়ু হায়না লোক্তাক পাৱর ষ্টেসনগী চীফ এঞ্জিনিয়ারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## মরী লৈনদে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬(ঐচ এন এস): কে ভী কে থৌবালগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে হায়বা হেদলাইনগী মখাদা ফোঙখিবা চেরোলদা কে ভী কে থৌবাল অসিবু ৱাংবলদা লৈ হায়না পল্লকখিবা অসি লাইবক থীবনি হায়না খাঙবোক দিভলপমেন্ট এন্দ ষ্টুদেন্টস যুনিয়ননা ফোঙদোরক্লি। কে ভী কে থৌবাল অসি খাঙবোক্তগী লৈবা এগ্রীকলচরেল ওফিস অমনি। থা অসিগী ৪দা পাউচে অসিনা ৩শুবা লামায়গী অনীশুবা কলমদা ফোঙখিবা ৱাফম অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোরকপদা কে ভী কে থৌবালগী থবক থৌরমদা ৱাংবলগা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

## ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ০৬(এজেন্সী): অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা ইহান হায়বা গুৱাহাটি ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল থা অসিগী ২৮দা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱালনা হৌদোক্লগনি।

নুমিৎ ৬নি চুপ্পা শ্রীমন্ত শঙ্করদেব কলা ক্ষেত্রা অমসুং জ্যোতি চিত্রাবান (ফিল্ম ষ্টুদিও)দা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিবেল অসিদা লৈবাক ৩৫গী ফিল্ম ৭৫ উৎকনি। কলচরেল এফেয়র্স মিনিষ্টর নবকুমার দোলেনা ঙসি প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া অমসুং মালেমগী ওইনা ফিল্মগী লমদা শক্লাইরবা কয়ানা ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াগনি।

ৱর্ল্ড সিনিমা, কন্ট্রি ফোকস, ইন্দিয়ন পর্নোরামা, ইরানিয়ন সিনেমা, রেট্রোস্পেক্টিব সিনেমা ওফ নোর্থ ইষ্ট, সিনেমা ওফ অসাম অমসুং ত্রিব্যুট সেক্সন হায়না সেক্সন কয়া খায়গনি। ফেষ্টিবেল অসিগী ক্যুরেটরনা ইন্দিয়াগী টোপ ক্যুরেটর ওইরিবা শ্রীনিভাশ শান্তনুননা ওইগনি। মহাক্লা ক্যুরেটর ওইদুনা এ এফ এফ আই অমসুং এম এ এম আই বেঙ্গলোর, পুনে অমসুং চেন্নাই ফিল্ম ফেষ্টিবেলনচিংবসু পাঙথোকখ্রবনি।

ফিল্ম ফেষ্টিবেল অসিদা ইরান, ষ্টোনিয়া, ক্রোসিয়া অমসুং জেক রিপব্লিককী এম্বেসেদরশিং শরুক য়াগনি অমসুং স্পেন অমসুং জেক রিপব্লিককী এক্টর অমা অমসুং ফিল্ম মেকরশিং শরুক য়াগনি হায়রি।

শ্রীলঙ্কাগী শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর প্রসানা ভিক্তা হংগেনা অসামগী পুথোরক্কদৌরিবা ফিল্মশিংগী বেষ্ট ফিল্ম খনবগী জুরিগী চ্যেরমেন ওইগনি। ফেষ্টিবেল ও আই এল, এস বি আই, নেভোটেল, পেনাসোনিক, য়ু এফ ও, সিক্যুজ অমসুং দৱানা ফেষ্টিবেল অসি স্পোন্সর তৌরি।

## প্রভিশ শিখিবগী লংলা-লংজিন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬(ঐচ এন এস): উত্তর প্রদেশতা প্রভিশ চনমবু মীনুংশি খঙদনা হাৎতোক্লবা মতুংদা পোৎলোইথোকখিবগী থৌওং অদুগী লংলা-লংজিন লৈবাক মীয়ামদা খঙহন্দনা থম্বা হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী হিংবগী রাইট মৎপনি হায়না ইম্ফাল কোলেজ ষ্টুদেন্টস যুনিয়ননা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল কোলেজ ষ্টুদেন্টস যুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি দল্লিয়ু অনন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীশি অসিগী অকুপ্পা লংলা-লংজিন খঙদ্রিঙৈদা য়ু পি পুলিসনা পোৎলোই-থোকখিবগী মরম লৈবাক মীয়ামদা খঙহনগদবনি। অথুবা মতমদা মরাল লৈবা খূদিংমক চৈরাক পীগদবনি।

# হৈস্নাম কহ্নাইলাল লৈখিদবগী অহানবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬(ঐচ এন এস): হৈস্নাম কহ্নাইলাল পদ্মাভুষণনা লৈখিদবগী অহানবা কুমওন থৌরম কলা ক্ষেত্র মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি নুংথিল পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

লৈখিদ্রবা হৈস্নাম কহ্নাইলাল পদ্মাভুষণনগী শক্তমদা মীয়াম্না লৈ-শু কত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎলবা মতুংদা থৌরম অদু হৌদোকখি। থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট, আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর ডা. কে সুশিলানা প্রসিদেন্ট অমসুং জে এন য়ু দিল্লিগী প্রো. শিব প্রকাশনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা মিনিষ্টরনা এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, লৈখিদ্রবা পদ্মাভুষণ হৈস্নাম কহ্নাইলাল অসি থিয়েটর চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা অঙকপা অমদি মগুণ লৈবা ফিলোজোফর অমনি। মহাক্লা লৈখিদ্রবসু ঐখোয়গী ইরক্তা অদুমক হিংলি। মহাক্লা থম্বীরম্বা কলা ক্ষেত্রা মণিপুর অসি হেন্না ৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নসি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা কলা ক্ষেত্র মণিপুরগী দিরেক্টর ঐচ তোম্বনা হায়খি, লৈখিদ্রবা ওজা হৈস্নাম কহ্নাইলানা হিংলিঙৈ মতমদা কহ্নাইলাল অমদি সাবিত্রি থিয়েটর হাউস অমা শাগৎনবা মঙলম্বা মঙলান অদু মঙফাওনহন্নবা কলা ক্ষেত্রানা পান্দম থল্লি। থিয়েটর গ্রুপ অসিনা থিয়েটর চাউখৎহন্নবা ওজা অসিনা মঙলম্বা মঙলান অদুসু মঙফাওনহন্নবা হোৎনরি। অদুগুম্বা মঙলান কয়া অদু মঙফাওনহন্নবা হায়বা অসিদা লৈঙাক অমদি মীয়ামগী মতেং য়াওদ্রবদি মমি শামিল। লাক্লিবা কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারী ১৭ ওজাগী মপোক কুমওন অসিগা মরী লৈননা নুমিৎ ৩নি চুপ্পা ওজা অসিগী খনগৎলবা মঙ্গরপিসশিং উৎকনি। মসিদা গভর্ণমেন্ট অমদি মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু।

থৌরম অদু প্রো. এস ঐচ শিব প্রকাশনা মেমোরিএল স্পিচ পীখি। থৌরম অদুগী চ্যেরপার্সন্না প্রো. এল জয়চন্দ্রনা ওইখি। প্রো. এল সদানন্দ এস এন এ এৱার্দী য়ুম্নাম রাজেন্দ্র অমসুং উসম রাজোনা কহ্নাইলালগী মীৎয়েংদগী এক্টর অমগী হকচাং অমসুং ৱাখলগা লৈনবা মরী, হৈস্নাম কহ্নাইলাল অমসুং মহাক্কী থিয়েটর অমসুং প্রেক্টিস এন্দ থিওরি থিয়েটরদা কহ্নাইলালগী মফম হায়বা হীরমশিং অসিদা চে পাথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা কহ্নাইলালগী পূন্সিগী মরমদা পাউদম লাইরিক অমসু ফোঙখি।

# সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী দিমান্দ কনানসু থিংবা য়ারোই : ৱাই কে এ এল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬(ঐচ এন এস): মীতৈবু সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহনবগী য়াবগী ক্রাইটেরিয়া অমত্তা য়াওদে হায়বা ৱাফম অমসুং হীরমসিদা মতম চুপ্পদা য়েৎকনি হায়বা ৱাফম অসি ৱাখল মপুং ফারবা, লাইরিক লাইশুগী মঙাল ফংলবা মীওইগী ৱাফম নত্তে হায়না য়েলহৌমী কনবা অপুনবা লূপনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

য়েলহৌমী কনবা অপুনবা লূপকী প্রসিদেন্ট লানঙম অঙোমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ইরমদম অসিগী অপুনবা পাক চাউবগী মনুংদা চাদা ৯২না চীংগী লম ওইরগা ০.৮ খক্তা চাউবা মীতৈনা নম্না খুন্দারিবা মফম অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চৎনা কাঙলোনগী ঙাক্লৌ তাঞ্জবা অসিদা চীংগী লমগী খুদোংচাবা মাঙগদবা অমত্তা লৈতে।

সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওইবা য়াবগী ক্রাইটেরিয়া লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়না ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস যুনিয়ন (অটসুম)গুম্না নৈনবগী মথৌ তাদে। মদু লৈঙাক্কী মথৌনি। অতোপ্পনা পংঙাং ঙাঙবদি মীমাঙদা ঈকায়বা নংবা নত্তনা কান্নবা অমত্তা ফংলোই হায়বসি খঙবীগদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মীতৈনা সেদ্যুল্ড ট্রাইব ষ্টেটস তানবদা লৈবাক কায়গদবা ৱাফম য়াওদে। অদুগা লৈবাক কায়বা য়াবা মতাংদা লূপ অসিনা কনাগুম্বা অমত্তগা য়াশিন্নবা তৌরোই হায়বসিসু অটসুমনা খঙবীবা চুমগনি।

সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওইরিবা ফুরুপশিংনা লৈরিবা ক্রাইটেরিয়া ময়ামদু মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসিগীসু অমত্তা ৱাত্তনা লৈজে। অসিগুম্বা ক্রাইটেরিয়া অদু লৈত্রবদি সেদ্যুল্ড ট্রাইব লিষ্টতা য়াওহনবা য়রোই হায়বসি থবক পায়খৎত্রিবা হঞ্জিন হঞ্জিন অখঙ অহৈশিংগা তান্নরবা মতুংদা এস টি দি সী শেমখিবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।।

চেরোল অসিনা হায়, ইরমদম অসিগী পুৱারী, হৌরক্লোন, খুন্নাইলোন, পূন্সি মহিং নীংথিনা নৈনরগা চীং তম হায়দুনা খায়দোক্লিবসি খায়দোকফম থোক্তবনি হায়বসু মীতৈশিংনা খঙই। মদু মফম, মতম অমদি লৈফমগী মতুং ইন্না চীংমী-তম্মী হায়খিবনি। ঈগী মরীদি অমত্তনি হায়বসি অটসুমগী থৌমীশিংনা খঙফম থোকই। হৌরক্লোন নৈনবগা লোয়ননা ইরদম অসিগী পুৱারী নৈনদুনা ফুরুপ অসিবু মুন্না মশক খঙনবা হোৎনবা মথৌ তাই।

পুৱারীগী হৌরক্লোন শুক্লে লৈননদনা করিসু খঙদবা ফুরুপ অসিগী মীগীদমক হিংবীরিবা মীওই খরগা তান্নরগা অটসুমগী প্রসিদেন্টনা ইপু-ইপু মশক খঙদবা মানবা ৱাঙাঙ ঙাঙবীগনু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মীতৈশিংনা শেমজিন শাজিনবা পুৱারী শেম্নবগী থৌরাং লৈতে লোয়ননা ওইরোইদবা মতম মাঙহন্দ হায়বসি খঙজিনবীগদবনি হায়রি। ঐখোয় মশেল খৎনহনবা পাম্বা, ঈগী মরী থদৎপা পাম্বা মীফত্তশিংগী লাংদা ইরমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংনা থুরোইসি। ঐখোয় অমত্তনি, চীংদা লৈহৌবনা চীংমী কৌখিবনি। তমদা কুল্লগা লৈখিববু তম্মী কৌখি। মসি ইরমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংনা খঙফম থোকই। ঐখোয় মশেল পুনশিন্নসি, পাঙ্গল শাগৎমিন্নসি। ইরমদমসি পুন্না চাউখৎমিন্নসি হায়বা অসিদা ৱাখল থাদমিন্নসি হায়নসু চেরোল অসিনা হায়রি।

সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী দিমান্দ কনানসু থিংবা য়ারোই। মপুং ফাবা ক্রাইটেরিয়া ময়াম লৈরিবা অসিদা য়ানি, য়ারোই হায়রিবশিংসি করিসু কান্নরোই। ৱারৌনবা তোকসি, অরানবা লৈখিবা কাউথোক্লসি। ইরমদম অসি মীতোপ্প া য়োৎখিবদা অটসুমগী থৌমীশিংসু লৈহৌবা য়ারোই হায়বসি পুন্না খঙমিন্নসি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# হোম গার্দকা মরী লৈননা থাখিবা আর টি আইগী পাউখুম মপুং ফানা পীরক্ত্রে : এসোসিএসন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬(ঐচ এন এস): মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ী ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টনা কুমজা ২০১৫গী এপ্রিল ৮দা চহী অদুমক্কী মার্চ ১১দা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা পাস তৌখিবা ওর্দর অদু থবক ওইনা ওন্থোকপীনবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবদা সেক্রেটরি হোম দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা হীরম অসিগী মতাংদা করিগুম্বা থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎপীরক্তবগা লোয়ননা হায় কোর্টকী ওর্দর অদুগা মরী লৈননা আই টি আই এক্ট, ২০০৫দা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসনশিং পীরক্লবা চেরোল পীশিনখিবা অদুসু থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্ত্রে।

মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ী ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অসিগুম্বা ফীভম অসি লৈরবা ফাওবদা হোম গার্দশিং অসি ইমর্জেন্সীগী মতমদা দ্যুটি পীরি অমসুং পুলিস পার্সনেলশিংগী পাৱর অদু শীজিন্নহন্দুনা মথৌ তৌরি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অসিগুম্বা ফীভম অসি য়েংলগা নুমিৎ ৩০নিগী দ্যুটি এলাৱেন্স পীগদবনি অমসুং ষ্টেট অসিগী পুলিস পার্সনেলশিংদা পীরিবা খ্বাইদগী পীকপকা তোলোপ অদু পীনবা তকশিন্দুনা লাকখি অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগা মরী লৈননা থা ৩গী মনুংদা তৌবা য়াবা থবকশিং অদু তৌদুনা মতিক চাবা ওর্দর থোরক্কনি হায়না থাজবা পীরকখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা করিগুম্বা থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্ত্রে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

আর টি আই এক্ট, ২০০৫গী মখাদা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসনশিং পীবিরক্লবা মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ী ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না আর টি আই এপ্লিকেসন অমা থাখ্রবা মতুংদা এস পি আই ও/স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরদা চহী অসিগী ওগষ্ট ১৯দা ইনফোর্মেসন খরা পীরকখি। অদুম ওইনমক এসোসিএসন অসিনা পাম্বা ইনফোর্মেসনশিং অদুদি ফংবা ঙমখিদে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ওর্দরবু ঈকায় খুম্নদ্রিবা নৎত্রগা আর টি আই এক্ট নৎত্রগা ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিসনবু ঈকায় খুম্নদ্রিবরা হায়না এসোসিএসন অসিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হংলক্লি।

# আইমোল কম্ম্যুনিটি অদুমক আইমোল ওইনা লৈখিগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬(ঐচ এন এস): আইমোল ট্রাইব যুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এস মুন্থুইরেং অমসুং মহাক্কী ষ্টাফনা আইমোল ওর্গনাইজেসন অমগী প্রসিদেন্টনি হায়জবা আর টি অখেল আইমোল হায়বা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তুইখাম ভীলেজদা লৈবা মীওই অমনা মিদিয়াদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ৱাফম কয়া শেংদোরক্লি।

আইমোল ট্রাইব যুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এস মুন্থুইরেংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দাত্তুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী পল্লেলদা লৈরিবা আইমোল ভীলেজশিংগী অকোয়বা অমসুং মফম অদুগী ওইরিবা ফীভম অদু শেংনা খঙদনা ফোঙদোরকপনি।

টি আর অখেলনা ফোঙদোরক্লিবা এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদরশিংনা অখন্নবা আইমোল ইমপ্লোয়ীশিং অমসুং মরাল লৈতবা খুঞ্জাশিংদা শেলগী দিমান্দ তৌবা, নমদুনা শেল খায়বা অমদি ফা পুল্লগা রেন্সন তানবগী থৌওং চথৈ হায়বসি অরানবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অসিগুম্বা ৱাফম লৈতে। ইমপ্লোয়ী অসিনা অসিগুম্বা ওৎ-নৈবগী থৌওং মওংদা চত্থরকপগী ৱাফম লৈতে হায়না ফোঙদোরকখ্রে। মরম অদুনা টি আর অখেলনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু য়ুম্ফম য়াওদবা অমসুং অরানবা ৱাফমনি। মশাগী কান্নবা খরা ফংনবগীদমক কাঙলূপ কয়াগী মরক্তা হু কামশিনবগী থবক মখা তানা চত্থনবা চেকশিন ৱা ফোঙদোরক্লি।

অসিগুম্বা ৱারোল ফোঙদোরকপা অসিনা মরাল লৈত্রবা আইমোল খুঞ্জাশিং অমদি আইমোল ইমপ্লোয়ীশিংবু খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈবগা লোয়ননা মশাগী মনীং তম্বদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে অমসুং লৈবাক অসিবু ফোঙনা শীংনবগুম্না উহল্লে। মহাক্লা মথৌ তাদবদা খুদোংথিবা থোক্লবা চেবাউ পীহল্লে। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা আইমোল মীয়ামগী মিংচৎ থিহনবগা লোয়ননা চমন্নবা থোকহল্লকনি। পল্লেলগী আইমোল এরিয়াদা তারিবা মীয়াম্বু অয়েৎ অপন থোকহনবগা লোয়ননা অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লাকহল্লে।

মহাক্লা ষ্টেট গভর্ণমেন্টপু লান্না লমজিংনবা হোৎনরি। টি আর অখেলগী ৱারোল অসি আইমোল কম্ম্যুনিটিগী অপাম্বা অমসুং ফিরেপকী মায়োক্তনি। নাগা নৎত্রগা কুকি হায়বগী মশানা মশাবু চাউথোকচবা অদুনা মরম ওইরগা খনগৎলবা কুকি ইনপিগী ভাইস প্রসিদেন্ট কুমজা ২০১৭গী মে ১৭তগী হৌজিক ফাওবা ওইরি। মসিনা মহাক্লা থোকচখিবা চেরোল অদুনা নাকল অনীমক্লা য়াবা চেরোল ওইহনগদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

আইমোল কম্ম্যুনিটি অসি অপীকপা ট্রাইবশিংগী মরক্তা অমা ওইরবসু আইমোল তম্পাক্তা জি ঐচ ক্যুগী যুনিয়ন ওফিস লৈ অমদি মদুগী ষ্টাফ অমসুং ইলেক্সন কম্মিসন তোঙান্না লৈজে। মরম অদুনা টি আর অখেল টিমগী ভাইস প্রসিদেন্টনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অদু ময়েক শেংনা খঙলগনি।

আইমোল কম্ম্যুনিটিগা কুকি ইনপিগী ভাইস প্রসিদেন্ট করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈনদে। মরম অসিনা আইমোলগী মীয়াম্না আই আর বি নৎত্রগা পুলিস ফোর্সশিং মখোয়গী এরিয়াদা থম্বগী মথৌ তাদে হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

## অনীরকশুবা নেসনল মেটেল কাষ্টিং কেম্প হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬(ঐচ এন এস): ললিত কলা একাদেমি রিজনেল সেন্টর কোলকাটা অমসুং শর্ম্মা আর্টস এন্দ ক্রাফট হাউস ইম্ফাল অনীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা অনীরকশুবা নেসনল মেটেল কাষ্টিং কেম্প খোংমন্দা লৈবা শর্ম্মা আর্টস এন্দ হাউসকী কমপ্লেক্সতা ঙসি হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর ডা. কে সুশিলানা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। ললিত কলা একাদেমি রিজনেল সেন্টরগী সেক্রেটরি সিদার্থ গোসনা অসিগুম্বা নেসনল লেবেলগী কেম্প অমা অনীরকশুবা ওইনা মণিপুরদা পাঙথোকপা ঙম্বা অসিদা অপেনবা ফোঙদোকখি।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা অহানবা নেসনল আর্টিষ্ট মেটেল কাষ্টিং কেম্প অমসুং ঙসি হৌদোক্লিবা কেম্প অসি বি বনামালি মেনেজিং দিরেক্টর এস এ সী ঐচনা কন্না হোৎনবগী মহয়নি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

আর্টিষ্টশিংগী কেম্প অসিদা অসাম, মহারাষ্ট্র, ত্রিপুরা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, কর্নাতাকা অমসুং মণিপুরদগী স্কল্পটর ১০না শরুক য়ারি। কেম্প অসি থা অসিগী ১৭ ফাওবা চত্থগনি। আর্টিষ্ট কেম্প অসিদা শরুক য়ারিবা আর্টিষ্টশিংনা শাবা ক্রিয়েটিব স্কল্পটরশিং থা অসিগী ১৫দা শর্ম্মা আর্ট এন্দ ক্রাফট হাউসকী ওপন এয়র গেলেরিদা মীয়াম্না য়েংনবগীদমক এগজিবিসন অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

## সিকোদা মীয়াম্না শেলগী মতেং পীবিয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬(ঐচ এন এস): সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)না শীন্দুনা থা অসিগী ৩১দা সনামহি লাইনিং হিংগৎ ঈহৌদা মতম অমদা নিংথৌ অমদি ব্রহ্ম সমাজগী চৈরাক ফংখ্রবা ইপা-ইপুশিংগী নীংশিং থৌরম অমা লুৱাংশংবম মখা লৈকায়গী লুৱাংপোকপা ষ্টদিয়ম মনাক্তা লৈবা পাখঙবা কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক মীয়াম্না শেলগী মতেং পীবিয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি থাংজম ইনাওচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীতৈশিংগী ইনাৎ, লাইনিং লাইশোল, চৎনরোল, চীং, পাৎ-তুরেল, অরিবা খুভম অমদি মীতৈগী নাৎকা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া য়োকখৎনবা অমদি কলহৌনবগীদমক থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপদা শেলগী ওইবা অৱাবা কয়াসু চাউনা থেংনদবা নত্তে।

হৌজিক হৌজিকমকসু সিকোনা কংলৈ মীয়ামগীদমক নাৎকা মরী লৈনবা অমদি মীতৈ কলহৌনবগীদমক মখা তানা তৌনিংবা থবক থৌরম কয়া মাঙদা তাদুনা লৈরি। অদুবু শেল-থুমগী অৱাবা কয়া মায়োক্লবনা থবক্তা খুরৌ থাংবা, মঙম শান্দবা খরদি অদুমক লৈরি। মীয়ামগী মতেং য়াওদনদি থবকশিং অসি মায় পাকপা ওইথোক্তে। অসুম্না মীয়ামগীদমক চেন চোংজরকপনা সিকোনা শীন্দুনা লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১দা সনামহি লাইনিং হিংগৎ ঈহৌদা মতম অমদা নিংথৌ অমদি ব্রহ্ম সমাজগী চৈরাক ফংখ্রবা ইপা-ইপুশিংগী নীংশিং থৌরম অমা লুৱাংশংবম মখা লৈকায়গী লুৱাংপোকপা ষ্টদিয়মগী মনাক্তা লৈবা পাখঙবা কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি। মরম অদুনা কংলৈ মীয়ামগী তৌজনিংবা অফবা থবক কয়া মায় পাক্লা তৌবা ঙম্নবা চঙশিল্লক্লবা খোঙথাং কয়াবু পূক্লিং থৌগৎপীবা অমদি নীংহন্নবা থোক্তনবা ইনাৎকীদমক কথোক্লিবা সিকোনা লমদম অসিগী ইচিল-ইনাওশিংদা মীনুংশিগা লোয়ননা অঙম্বা শেল-থুমগী মতেং পাংবীনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

সিকোনা শীল্লিবা অখন্নবা থৌরম অসিগীদমক লাক্লিবা ওক্টোবর ৩০ অমসুং ৩১ অসিদা লূপ অমত্তনা থৌরম অসিগী খনবিরগা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌবীরক্কনু হায়না মীয়ামদা ফোঙদোরক্লি।

## শরুক য়াহন্দবা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬(ঐচ এন এস): লন্থাইদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৯দা পাঙথোকখিবা বার্থ দেগী থৌরম অমগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ঈশৈং নোংমাইগী থৌরমদা থোকখিবা পামদবা থৌদোক্তুগী মতুং ইন্না লন্থাই দিভলপমেন্ট কম্মিটি, লন্থাই অপুনবা মৈরা পায়বী লূপ অমসুং লন্থাই ষ্টুদেন্টস আইদেল ক্লবকী অপুনবা মীফম অমনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা লন্থাইদা নুপী মানবী নুপাশিংগী থৌরম অমত্তা পাঙথোকপা য়াহন্দবা অমদি মফম অসিদা পাঙথোকপা থবক থৌরমদা শরুক য়াহন্দবা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে।

লন্থাই ষ্টুদেন্টস আইদেল ক্লব, লন্থাই মৈরা পায়বী লূপ অমসুং লন্থাই দিভলপমেন্ট কম্মিটি অহুম্না পুন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, নুমিৎ অদুদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ওল মণিপুর নুপী মানবী এসোসিএসনগী মেম্বর অমত্তগা ক্লব অমদি মৈরা পায়বীগা হীরম অমত্তদা ৱারী শানখিবা লৈতে হায়রি।

## বোরো একোর্দ রিভিয়ু মিটিং

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ০৬(এজেন্সী): বোরোলেন্দ টেরিটোরিএল কাউন্সীলদা রিলিফ এন্দ রিহেবিলিটেসন অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টনা চহী অসিগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা খুৎশীন্নবা থৌরাং তৌবগী মীফম অমা সেন্টর অমসুং বোরো লূচিংবশিংগগী মরক্তা মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নাকল অহুমগী ওইবা মিটিং অমা ন্যু দিল্লিগী নোর্থ ব্লোক্তা ঙসি পাঙথোকখিবা বোরো একোর্দকী থবক ওইনা পাঙথোক্কদবা কয়া অদুগী মতাংদা রিভিয়ু তৌখি। নোর্থ ইষ্টকী জোইন্ট সেক্রেটরি সাত্যন্দর গর্গনা চ্যেরমেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা বি পি এফকী লূচিংবা চন্দন বর্মা অমসুং রাজ্য সভাগী এম পি বিস্বজিৎ দাইমাই শরুক য়াখি। অসাম গভর্ণমেন্টকী মীহুৎ ওইনা ষ্টেট হোম দিপার্টমেন্টকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি এল এস চান্দসন অমসুং দোনর য়াওনা দিপার্টমেন্ট কয়াগী থৌপুবশিংসু শরুক য়াখি।

রিলিফ এন্দ রিহেবিলিটেসন অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্ট বোরোলেন্দ টেরিটোরিএল কাউন্সীলদা শীন্নবগী ৱাফম ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা দিপার্টমেন্ট অনী অদু শীন্নবগী মতম ঙসি লেপথোক্লগনি। জোইন্ট সেক্রেটরি নোর্থ ইষ্ট থা অসিগী ২৭তা কোক্রাঝারদা চত্তুনা মহাক্লা চ্যের লৌদুনা রিভিয়ু মিটিং অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

নোর্থ কছার হিল দিষ্ট্রিক্ট কর্বিঅংলোং এরিয়াদা লৈরিবা বোরোশিংবু সেদ্যুল্ড ট্রাইব ষ্টেটস পীবগী মতাংদা অনৌবা বিল অমা পুথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা যুনিয়ন কেবিনেটনা বিল অদু য়েংশিন্দুনা দ্রাফট তৌরবা মতুংদা পাস তৌনবা ৱারেপসু লৌখি। মমাঙদা পুথোকখিবা টেক্নিকেলগী ওইবা অহোবা খরা লৈবদগী পার্লিয়ামেন্টতা পন্দুনা লৈরিবনি।

ট্রাইবেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা হীরম অসিগী মতাংদা তৌগদবা ৱারোলশিং অদু লেপথোকপগা লোয়ননা অনৌবা বিল অমা পুথোক্লবা কেবিনেট নোট সার্ক্যুলেট তৌনবসু ৱারেপ লৌখ্রে। তরুশুবা সেদ্যুল্ড চৎনরিবা মফমশিংদা সেন্টরগী ফন্দ মপুং ফানা থাবগী গাইদ লাইন চপ চানা লৈত্রিবা অদুগী মতাংদসু ঙসি পাঙথোকখিবা মিটিং অদুনা ৱারেপ কয়া লৌখি। অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসিনা মরম ওইরদুনা বোরোলেন্দ টেরিটোরিএল কাউন্সীলগী এরিয়াদা পায়খৎগদবা সেন্টরগী ফ্লেগশিপ প্রোগ্রাম কয়া হৌজিকসু পায়খৎতনা লৈরি। সেন্ট্রেল ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামশিংগী ফন্দ য়েন্থোকপদা চপ চাবা গাইদ লাইন লৈতবনা মরম ওইদুনা থবক ওইনা পায়খৎপা ঙমদবনি।

বি পি এফকী লূচিংবশিংনসু ভুটানগা য়ুম্লোন্নরিবা ইন্টরনেসনল বোর্দরদা হায়ৱে অমা শানবগী ৱাফম পুখৎলকখি। অসিগুম্বা হায়ৱে অমা শানবা পুখৎলক্লিবা অসি থবক ওইনা পাঙথোক্লবদি ইন্টরনেসনল বোর্দরদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদুগী অরুনাচল প্রদেশ ফাওবা শম্নহনবা ঙমগনি। অমরোমদা, মিটিং অদুনা হিমালয়া অমসুং অতোপ্পা চীংখোঙদা লৈবা তুরেল তোৰ্ব্বানগী ফীভম শোকচিল্লক্লিবা অমদি তুরেল ২৯গী তোৰ্ব্বানগী ফীভম ফৎত্রিবা অদুগী মরমদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

# এমসুনা টি আর আইগী দিরেক্টরগী কা ছো লোনশিনখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬(ঐচ এন এস): পরম লান্না থবক লৌখি হায়বা ৱাহৌদগী ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা ট্রাইবেল রিসার্চ ইন্সটিট্যুটকী দিরেক্টরগী কা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস যুনিয়ন (এমসু)গী ভোল্যুন্টিয়রশিংনা ছো লোনশিনখ্রে।

ট্রাইবেল রিসার্চ ইন্সটিট্যুটকী দিরেক্টরগী কা ছো লোনশিনখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা এমসুগী ভাইস প্রসিদেন্ট লাইশ্রম পিতুনা হায়খি, এম পি এস সীনা লৌবা ইন্সটিট্যুট অসিগী জোইন্ট দিরেক্টরগী পোষ্টকীদমক মায় পাক্লবা কেন্দিদেট এন পি পিকেশ্বরগী পুলিস ভেরিফিকেসন অমদি মেদিকেল চেক-অপ লোইরবা মতুংদা পোষ্ট অসিগীদমক ইলিজিবল ওইদবা মীওই অমা হাপচিন্নবা হোৎনরম্বনি। হায়রিবা হীরম অসিগী মতাংদা রিভিয়ু অমদি ক্লারিফিকেসন তৌবীনবা চহী অসিগী ওগষ্ট ২০দা মিদিয়াগী খুথাংদা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা খঙহনখি।

মখা তানা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৮ অমদি ওক্টোবর ৩দা রিভিয়ু তৌনবা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রবসু ঙসি ফাওবা পাউখুম অমত্তা পীদনা লাকখিবনি। লৈঙাক অসিগী মখাদা ট্রাইবেল এরিয়া অমসুং হিলসকী কম্মিস্নার ওইরিবা টি পামৈ আই এ এস মণিপুর মীয়াম অমদি ট্রাইবেলশিংগী য়াইফনবা খনবা মীওই নত্তে হায়না মরাল শীরক্লি। দিপার্টমেন্ট অসিদা শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা অমদি মরী মতাশিং থিদুনা পরম লান্না থবক হাপ্পবা হোৎনবদা কম্মিস্নার অসি তশেংনা চেন্নৈ হায়না এমসুনা খঙবা ঙল্লে হায়রি।

কম্মিস্নার টি পামৈনা নমথাক তৌদুনা মণিপুর মীয়াম অমদি চীফ মিনিষ্টরবু লান্না উহন্নবা শিল্লিবা থৌওং অসিগী মথক্তা লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা কম্মিস্নার অসিগী মথক্তা এক্সন লৌদুনা সস্পেন্দ তৌগদবনি হায়না তকশিল্লক্লি।

পরম চুম্না চৎচবা ওজা অসিগী নো ওবজেক্সন সার্টিফিকেট য়াওদনা চহী ১গী কন্ট্রেক্ট পোষ্ট অসিগীদমক দি পি সী ফমহল্লম্বা থেংনখি। পোষ্ট অসিগীদমক মতিক চারবা অচান মীরাই তৌদনা খুন্নাই অসিগী অফবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তা এমসু লৈরি হায়বসি মীয়াম্না কাউবীগনু হায়না আপিল তৌরক্লি।

পনবা য়াবদি, পোষ্ট অসি লৌবদা ফেক অমসুং ফাইন্দিং কয়া থেংনখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৫গী জন্যুৱারী ৮দা ফাইনেল রিজল্ট হায়দোকখিবা এম পি এস সীনা লৌবা দেপ্যুটি দিরেক্টর (টি আর আই) এগজামিনেসন্দা ঙাশেকপম পিকেশ্বর কৌবা কেন্দিদেট অমনা ওভরওল ওইনা ফর্ষ্ট তাদুনা এম পি এস সীনা পোষ্ট অসিগীদমক মহাকপু রেকমেন্দ তৌখি।

মসিগী মখা চত্থরকপদা গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১৫কী জন্যুৱারী ২৮দা এম পি এস সীগী রেকমেন্দেসন অসি এক্সেপ্ট তৌদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট ওইরিবা দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিল (টি আর আই)না কুমজা ২০১৫কী জুলাই ১৭তা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা ওর্দর তৌদুনা কেন্দিদেট অসিগী পুলিস ভেরিফিকেসন অমসুং মেদিকেল ফিটনেস টেষ্ট লোইশিনবা লৈখ্রে।

এপোইন্টমেন্ট পীরমদাইদা ডা. গাইখামশিন লিয়ামৈ কৌবা মীওই অমনা হায়রিবা এগজামিনেসন অসি থাখিবদা এপ্লিকান্ট অমনা এম পি এস সীগী মায়োক্তা মহাক এগজামিনেসন নুমিৎ আউট ষ্টেসন ওইদুনা এগজাম থাহৌদবা মরম্না এগজাম অসি হনবীয়ু হায়দুনা থারকপা কেস অমা লৈ হায়দুনা কেস অসি লোইদ্রি ফাওবা এপোইন্টমেন্ট পীবা য়াদ্রি হায়দুনা ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকখিবনি।

কেস অসি থেংননবা রেকমেন্দ তৌরকখিবা কেন্দিদেট পিকেশ্বরনা মশামকসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা কেস থাখি অমসুং মরী লৈনবা কেস পূম্নমক চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ৬তা লোইশিনখি। কোর্টকী ওর্দর মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টনা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর পীখিবদা অথিংবা লৈতে অমসুং এম পি এস সীগী রেকমেন্দেসন মরম চাদনা লায়না লৌবা য়ারোই হায়না ওর্দর তাখিবা লৈখ্রে।